# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৪৩

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

**জন্যুৱারী ৮, ২০০৯ :** হৌজিক মণিপুরদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কোংগ্রেস মনুংদা লুচিংবা শিনবগী লালোং চত্থরিবসিনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা লৈহল্লবদি এন সী পিনা তুমিন্না লৈরোই হায়না এন সী পি মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজম্না ফোঙদোকখি।

ঙসি সাইকুল এ সীদগী এন সী পিগী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ দৌখোমাংনা অনৌবা চহী লাকপগা মরী লৈননা মহাক্কী ক্বার্টরদা শীনখিবা চাকলেনগী মাঙওইননা পাঙথোকপা মীফমদা শ্রী রাধাবিনোদনা কোংগ্রেস মনুংগী ওইবা ফীভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

শ্রী রাধাবিনোদনা হায়খি, হৌজিক ও ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী মনুংদা লুচিংবা শিনবগী লালোং চত্থনরিবসি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়রবসু লৈপাক কায়গদবা ওইরবদি এন সী পিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

'এন সী পিনা কোংগ্রেসকা চৎসু চৎমিন্নে, চৎসু চৎমিন্নদে; লৈপাক্কী কান্নগদবা ওইরবদি শৌগৎকনি; লৈপাক্কী মাঙনবা ওইরবদি কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈগনি' হায়বা ৱাফম শ্রী রাধাবিনোদনা পাউমীশিংদা থমখি।

**জন্যুৱারী ১২, ২০০৯ :** শ্রী ওক্রম ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ফমদগী জন্যুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা শিন্দোক্লবা য়াবগী থাজবা পুদুনা দিল্লিদা মতম শাংনা কেম্প তৌদুনা লৈরুবা সী এন পিগী দিসিদেন্ট এম এল এ ১২ ঙসি অয়ূক ইম্ফালদা থুংলরে। জন্যুৱারী ১৬তা দিল্লিদা অমুক হন্না চৎতুনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমদি প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিল্লুগদৌরি।

দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা দিসিদেন্ট এম এল এ অমনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহোন নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা চাইনাগীদমক ঙসি নুমিদাং দিল্লি থাদোকখিগদবা অমদি সী এল পি লুচিংবা শিনবগী মতাংদা সেন্তরদা লৈরিবা পার্টিগী লুচিংবশিং উনদুনা মথৌ তাবা থবক পূন্নমক মাঙজৌননা লোইশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর হল্লকত্রিবা ফাওবদি মখা তাবা মিটিংশিং লৈতবনা ইম্ফালদা থোরকপনি।

এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী নারুবদগী ফগৎলকপদা ঙাইরিবনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ভি ভি আই পিশিং খক্তমক উনৈ। নোর্মেল ফাইল শূদ্রি অমদি ভিজিটর উনবগী অয়াবা ডাক্তরনা পীদ্রিবনা দিসিদেন্ট এম এল এশিং ইম্ফালদা থোরকপনি। জন্যুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্তুনা অনৌবা ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা অমদি পার্টিগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগদবা মীওই অমবু চীফ মিনিষ্টর হাপ্লকপা য়াবগী থাজবা ৱাংনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা দিসিদেন্ট এম এল এশিং অদুদি গোবিন্দাস কোন্থৌজম, বিজয় কোইজম, কে মেঘচন্দ্র, ৱাই সুরচন্দ্র, টি মঙ্গিবাবু, আই হেমোচন্দ্র, দল্লিয়ু ব্রজবিধু অমদি ডাক্তর কে ঐচ রতনকুমারনি। দিল্লিদা মখা তানা লৈহৌরিবা দিসিদেন্ট মেম্বরশিং অদুদি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম, পৱার মিনিষ্টর ফুংজাথাং তোন্সিং, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর ৱাই ইরাবত, ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ডি ডি থাইসি অমদি এম এল এ মঙা ৱাইফৈনি। দিলিমিটেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মিটিং য়াওবা চৎখিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীসু দিল্লিদা লৈরি।

চাইনাদা চৎখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহোন জন্যুৱারী ১৫দা দিল্লিদা থুংলগদবনা ইম্ফালদা লৈরিবা দিসিদেন্ট পূন্নমক জন্যুৱারী ১৬তা দিল্লিদা চৎলগা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমদি প্রাইম মিনিষ্টরদা প্রেসর পীদুনা লুচিংবা শিন্দোকপগী থবক খুমাঙ য়াঙশিন্নবা মখা তানা তকশিল্লুগনি।

দিল্লিদা লৈহৌরিবা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না লুচিংবা দিসিদেন্ট কাঙবু অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর হল্লক্ত্রিঙৈ মনুংদা সেন্তরগী উনবা য়াবা লুচিংবশিং উনদুনা প্রেসর পীবগী থবক চত্থগনি হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৬ :** কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি মনুংদা লুচিংবা শিন্দোক্লবগী মতাংদা থা অনীরোম চূপ্না চত্থরক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা কোংগ্রেস হায় পৱার কম্মিটিনা নুমিৎ হুমনি চূপ্না খন্নরকপা অদু ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহোনসু চাইনাদগী ঙসি অয়ূক দিল্লিদা থুংখ্রবনিনা লুচিংবা শিনবা নৎত্রগা শিন্দবগী অরোইবা ফিরেপ অমা লৌরকপা য়াবা ফীভম লাকপদগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি দিসিদেন্ট এম এল এশিং ঙসি দিল্লিদা পাইশিনখ্রে।

দিল্লিদা থুংদুনা কেম্প তৌরিবা দিসিদেন্টশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহনা চাইনাগীদমক দিল্লি থাদোক্ত্রিঙৈ এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী অয়াবা লৌরগা শেমখিবা কোংগ্রেসকী হায় পৱার কম্মিটিনা ও ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ফমদগী শিন্দোক্নবা সী এল পি মনুংদা ঈরাং হৌরক্লিবসিগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চূপ্না খন্নদুনা লাকপদু ঙসি লোইশিনখ্রে। চাইনাদা চৎলুবা প্রাইম মিনিষ্টরসু ঙসি দিল্লিদা থুংলরবনা ফোর্মেল ওইবা মিটিং অমা পাঙথোক্লগা তং তাবা ফিরেপ অমা অথুবদা খঙনবা য়ানা লৈরে হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৯ :** চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কোংগ্রেস লেজিসলেটিব পার্টি মনুংদা লীদরসিপ শিনবগী মতাংদা ঈরাং লৈরিবা অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনখ্রে।

মণিপুরদা ওইরিবা পোলিটিক্সকী ফীভমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস হায় কম্মান্দ উনখ্রবসু করি খন্নখিবগে হায়বদু খঙদে।

নাকল অমরোমদা, ন্যু দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা কোংগ্রেসকী দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা ফেব্রুৱারীদা ফমগদৌরিবা এসেমব্লি মীফম মমাঙদা লীদর শিনগনি হায়বগী আশা তৌবগা লোয়ননা এ আই সী সীনা থবক লৌখৎলকপা ঙাইদুনা লৈরি।

**জন্যুৱারী ২২ :** শেনবা চহী ২০০৮-০৯গী প্লান সাইজ লেপ্পবগী মীফম অমদি অতৈ মরম কয়াগী দিল্লিদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু কোংগ্রেস হায় কম্মান্দ সোনিয়া গান্ধীনা কৌরকপদগী ঙসি নুমিদাং চৎতুনা উনরগা ৱারী শানখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মতাংদা এ আই সী সীগী লৌখৎখিবা থবক্কী রিজল্ট লাউথোক্নবা পীখিবা মতম হেল্লদুনা কোংগ্রেসকী দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা ফেব্রুৱারী ১দগী হৌগদবা বজেট মীফম বোয়কোট তৌগনি হায়খিবা অমদি এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌগনি হায়খিবা লৈবনা ঙসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা চীফ মিনিষ্টর কৌরকখিবদু য়াম্না মরু ওই হায়রি।

দিসিদেন্ট কাঙবুগীদি মখোয়গী হায়গদবা হায়খ্রে, থবক লৌখৎলক্ত্রবদি লেপখিবা ফিরেপ হোংলোই হায়দুনা দিল্লিদা লেঙদনা লৈরি।

অমরোমদা দিল্লিদা লৈরিবা গভর্ণর ডাক্তর এস এস সিধুনা প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহোন সিংহ, হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি এ আই সী সীগী মণিপুরগী থবক পুরিবা এম ও এস পৃথিবীরাজ চৌহান উনদুনা মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরবু পার্টি হায় কম্মান্দনা কৌরকপা অমদি গভর্ণরনা সেন্তর অমদি কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং উনখিববু লুম্না লৌনরবসু অমদি দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা অকনবা ফিরেপ লৌরবসু চীফ মিনিষ্টর শিনগনি নৎত্রগা শিল্লোই হায়বগী তাংদাংবা অমত্তা খঙবা ঙমদনা লৈরি।

অন ওফিসিএল ওইবা পাউগী লিখুন অমদি এ আই সী সীগী মায়কৈদগী ঈরাং হৌরিবশিংবু থেমজিন্নবা হান্নদগী চত্থরকপা থবকশিং হৌজিকসু লেপ্তুনা চত্থবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর শিন্দনা সোল্যুসন অমা পুরক্নবা হোৎনরি হায়রি।

এ আই সী সীনা কন্না হোৎনরিবা অসিনা মায় পাক্লবদি চীফ মিনিষ্টর শিন্দ্রবসু মিনিষ্টর খরদি শোয়দনা লৌথোক্লগা ঈরাং হৌরিবশিংগী মরক্তগী খরবু হাপচিল্লকপা য়ানা লৈরি।

**জন্যুৱারী ২৪, ২০০৯ :** চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা সী এল পি মনুংদা দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা মতম শাংনা হৌরক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকপা তারবদি অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা মীওই অদু য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এলাংবম কুঞ্জকিশ্বরবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু হায়বা প্রোপোজেল অমা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম (পি এম ও) ওইবতা নত্তনা এ আই সী সীগী অৱাং নোংপোক লমদমগী থবক পুবা জেনরেল সেক্রেটরি পৃথিবীরাজ চৌহান্দা অরোয়বা ৱাফম ঙরাং ফোঙদোক্লক্লগা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী ইম্ফালদা থুংলরে। চীফ মিনিষ্টরনা মহাকপু য়াবা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং মহাক্কী ওফিসিএল বঙ্গলোদা কৌশিল্লগা ৱা খন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, লো এন্দ লেজিসলেটিব এফ্যেরসকী থবক পুরিবা মিনিষ্টর থৌদাম দেবেন্দ্রবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা মাঙজৌননা প্রপোজ তৌখিবা অদুদগী হোংদোকপা য়ারোই হায়বা অকনবা ফিরেপ লৌদুনা লৈখিবদগী অরুবা ফীভমদা লৈরে।

টি ঐচ দেবেন্দ্রবু দিসিদেন্ট গ্রুপ্না প্রপোজ তৌখ্রবসু এ আই সী সীনা ইবোবিগী মহুত্তা হাপ্লকপা মীওইদা য়েৎলোই হায়বা ৱাফম হান্না ফোঙদোকখিবা লৈরবনি।

অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনবা দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা প্রপোজ তৌরিবা টি ঐচ দেবেন্দ্র দিল্লিদা লাক্লুবা এ আই সী সীনা কৌরকপদগী থাসিগী ২৭তা ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি হায়রি।◀◀

# হাপ্তা কাংজৈবুংদা শঙাই হেরিটেজ পার্ক (শঙাই ফেষ্টিভেলগীদমক্তা)

**মোইরাংথেম জিল্লাঙম্বা**

**বৃটিশনা** কংলা লৌশিনখ্রবা মতুংদা মৈতৈ নিংথৌগী অনৌবা কোনুং ওইননবা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা সনাকোনুং (চোংঙাবোন হায়নসু খঙনবা) অসি শেমগৎ-শাগৎখি। মফমসিদা হান্না লৈরম্বা মীওইশিং অদু পোরোমপাৎ শোইবম লৈকাইরোমদা হোংদোকহন্দুনা ৱাংখৈ খুন্নৌ হায়না মমিং থোন্দুনা খুন্দা লৈতাহনখি।

চুড়াচান্দ নিংথৌগী অনৌবা কোনুং অসিগী মনুংগী লম্পাক অমা নৌনা শেমগৎখি। সনা কোনুংগী অচৌবা থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবগী কুম্মৌশিং মনুং লম্পাক অসিদা হেক-হেক পাঙথোক্লম্মী। অয়াম্বা মতমদা হাপ্তা-হাপ্তাগী (চয়োলগী) ওইনা মখল-মথেলগী মশান্নশিং (মরুওইনা শগোল কাংজৈ) তোয়না শান্নরম্মী। মদুদগী কোনুং মনুংগী কাংজৈবুং অসিগী মমিং হাপ্তা কাংজৈবুং হায়না লৈবাক মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখি। হৌজিক হৌজিক বি টি রোদ মনাক্তা লৈরিবা মীয়াম্না মপান কাংজৈবুং হায়না খঙনরিবা (কন্নানা করিদগী মতৌ করম্না "পোলোগ্রাউন্দ" হায়না মমিং ওন্থোকপিখিবনো হায়বা অদুমদি খঙজদ্রে) লম্পাক অসিনা মতম অমগী কংলাগী মপান্দা লৈবা কোনুংগী কাংজৈবুং অমনি। মতৌ অসুম্না পোইরে মৈত্রাবাক অসিগী পুৱারীগা ইরোইনদুনা লৈরক্লগা সনাকোনুংগী মনুং অমসুং মপান কাংজৈবুংশিং অসিগী অশেংবা মশক কয়া অসি হৌজিক্কী মীরোল অসিনসু য়াম্না চেকশিন্না ঙাকশেনবসি মথৌ য়াম্না তাব্রা হায়না খল্লি। মণিপুরদা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবগীদমক্তা শিনবা হৌখিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাওবা কেলেন্দর ফেষ্টিভেল অমসু ওইরিবা শঙাই ফেষ্টিভেলনা কোনুংগী হাপ্তা কাংজৈবুংবু টুরিষ্ট স্পোর্ট অমা ওইনা ওন্থোকপিখ্রবরা হায়না লৈবাক মীয়াম্না শোইদনা হংনরক্কদরা খল্লি। মরমদি শঙাই হেরিটেজ পার্ক হায়না মমিং থোনজিন্দুনা শঙাই ফেষ্টিভেল মনুংখক্কী ওইনা শেমগৎখিবা (কুমজা ২০১৫ দগী) পার্ক অসিদা শাজিল্লগা চহী চুপ্পা নোংখাং চাইহন্দুনা থল্লিবা ত্রেদিসনল হট ময়াম অসিনা কোনুং লম্পাক অসিবু হাপ্তা ম্যুজিয়ম ওইনা মীয়াম্না লৌনরক্কদ্রা হায়বা ৱাফম অমসু লৈরি। অসিগুম্বা পার্ক অমা হাপ্তা কাংজৈবুংগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা কোনুং লম্পাক অসিদা শঙাই ফেষ্টিভেল লোইখ্রবা মতুংদসু চহী চুপ্পা নাপীনা মংশিন্দুনা লিন-কাঙগী মকোনগুম্না অদুম থমজিনবগী তঙাইফদবা অসি করিদগী লাকখ্রিবনো হায়বদু লৈবাক মীয়াম্না শোইদনা খঙনিংলমগনি। শঙাই ফেষ্টিভেল লোইখ্রবা মতুংদসু হাপ্তা কাংজৈবুং অসিদা পোৎ-চৈ কয়া অদুম থমজিল্লিবা, নাপী-শিংনাংনা মংশিল্লিবা, মোৎশিল্লিবা, চাইখাইরিবা অসিনচিংবা কয়া অসিনা লম্পাক অসিগী মশক্তা কয়াদা ফজহন্দ্রবনো? মী চঙদুনা শান্ন-খোৎনবগী থবকসু অমত্তা তৌহনবা উনখিদ্রে। মেলাগুম্বদি ইতৎ-তৎতনা পাঙথোকপা থেংনরিবা অসিগা হায়জরুবদি হাপ্তা কাংজৈবুং অসি 'মেলা কাংজৈবুং' হায়না মীয়াম্না খঙনরকপসু য়ানা লৈরি। অরিবশিং উৎপগী হায়রুরবদি থায়না লৈখুন্দা শুরুংদা লৈরম্বগী মওংদুসু শারগা শঙাই পার্কতা থম্বা কান্নগনি। মালেমগী অতৈ কুম্মৌশিংদা তৌনদ্রবসু।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা নোংজু থা অমদি ইকং থা লোইখিদুনা নিংথমথা য়ৌরক্লবনিনা ঈশিং ঈচাওগী অমদি ইকং থোকপগী ৱাথোকশিং, চৎপা য়াদ্রবা চিংলম্বীশিংগী ৱারী কয়া, লমখৈগী ৱাথোক, য়েলহৌমী কন্ননবগী ৱাফমনচিংবা কয়া লোয়না কাওথোক্নরম্লগা লৈবাক মীয়াম পুম্বা নুংঙাইরবা শঙাই ফেষ্টিভেলদা ওইনা মায় ওনশিন্নখ্রগনি। দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবগী হরাও-মীনোক, থম্মোয়গী চৈনা অমদি মৈশা লাংবা, লগাও অমদি হাওসিগী লাও-খোংবা কয়াগী খোন্থাং কোক্ত্রিঙৈদা অমদি শেল থুমগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈগী মরকসিদা নংহৌররোই মতাগুম্না পরপ-পরপ লাক্লগনি শঙাই ফেষ্টিভেলসু। লৈবাক মীয়াম অমদি মণিপুরগী গভর্নমেন্টকী পুক্নিং ৱাখল পুম্বা শঙাইগী তান্থাদা লোয়না তাওনখ্রগনি। কুম্মৌ ইরাং কয়াদা পাম্নখ্রবা ইরমদমনো? মসিরা আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক য়াম্না খুল্লি হায়নররিবসি। লাইবক ফৈদকো শঙাইও। নঙগী মিংগা লৌরগা থোল্লিবা ফেষ্টিভেল মমিংসি কয়াদসু ফজখ্রবনো। লম্বী অকাইবশিং খরা-খরা মেনবনচিংবা লম্বী শেমজিন-শাজিনবগী থবকশিং কন্না তৌরিবা, মরুওইবা লম্বী খরদা মচু-মরাংগা শংলিবা, লম্বীগী অমোৎপা, উফুল ৱাইফুলগা শেংদোকপনচিংবা কয়া ইম্ফাল ময়োলদা উরিবা অসি শঙাই কুম্মৌ নহাক্কী নপান্দগীনিকো। ইম্ফালদগী এয়রপোর্ট ফাওবদা শেল্লি-শারিবা, সিটিগী ময়োলদা কেরিবা কয়া, পেলেস কম্পাউন্দ পুমলং লংহন্নবা হোৎনরিবা কয়া অসিনা তাকপদি মীরমগী লমকোইবশিংদা উৎকদৌরিবা মণিপুরগী চাওখৎপসি হায়রিবা মফম খরখক অসিদনি হায়না মীয়াম্না লৌনখিবসু য়াই। কৈবুল লমজাওদা, মোইরাংদা চৎননবা লম্বী খরা শেম শারিবা অমদি ফোৎলিবা, কৈথেল নংবী মওংদা চহী খুদিংগী খরা খরা তৈশিল-নানশিল্লিবা অসিনা মণিপুর পুম্বগী মীয়ামদা কয়াম পেলহনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি ৱাহং অমা শোইদনা ওইনরক্লগনি হায়না খল্লি। মীরমগী লমকোইবশিং অসি তমেংলোংদা, উখ্রুলদা, চান্দেলদা, সেনাপতিদা, ফেরজোলনচিংবা চীংগী লমশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদি মথৌ তাদব্রা? অদুবুদি য়ারবদি শঙাইসু হাপ্তা কাংজৈবুংদা ওইনা থম্নবা থবক লৌখৎপিরো হায়না মীয়াম্না লাওনরকপসু য়ারি। অমবু ওইরো অমবু ওইরো লম্বী শিৎ-শেংলিবা খরা, কোয়লাস অহোবা খরা মেল্লিবা খরা অসি য়েংলুরগদি শঙাই কুম্মৌসি মীওই খরদি অদুম পাম্নরমগনি হায়না খল্লি। দুকান হাংগদৌরিবশিং, শেমগৎ-শাগৎলিবা অমদি শিল-লাংলিবশিংসু অদুম হরাওনরমগনিদা।

শঙাই ফেষ্টিভেলনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা থোঙ লোলহল্লবা পেলেস কম্পাউন্দ মনুংদা লৈবা মহৈলোইশঙশিং অদুনদি হরাওনরমগদ্রা? লমদমসিগী মমল য়াম্লবা আর্ট এন্দ কলচরনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লি হায়বদং হঞ্জিন-হঞ্জিন্না লাউদুনা লৈরবা মণিপুর আর্ট এন্দ কলচরবুদি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা থৌদাংদি কয়া লৌনিংদবা মানবা (মণিপুরগী কলচরেল পোলিসি চৎনহন্দনবা তৌব্রা খঙদে শেম্বা শুকলোই লোইশিনদে, আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেন্ট বজেট অদু হৈক্রু সনাদা য়োমই, য়ামখৎহনসি য়াদ্রবদি দিপার্টমেন্ট মুথৎলসি হায়না লাওরগনি হায়বা মিনিষ্টরগী ৱাফম লৈরি) মণিপুর গভর্নমেন্ট শঙাই ফেষ্টিভেলদদি কলচরেল প্রোগ্রামশিংনা হেন্না মপুং ওইনা উৎহৌননবদি হোৎনবা উই। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন চেনবা গভর্নমেন্ট অসিনা শিল-লাংলিবা য়াম্না মরু ওইনসু লৌজরিবা শঙাই ফেষ্টিভেল হেক হেক লাকপদা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা য়াম্না ৱানা ৱানা লেনজরিবা আর্টিষ্টশিংনা থৱায় অদুক য়াম্না য়াওনা চেন-চোংলিবসিসু ঙাক্তবা ঙমদে। চহী অমা চাবা ওক্লবা ফৌ কাহৌবা ঙন্থ্রা নৎত্রগা পুন্সিগী হৌদোক্লবা য়াবা খুদোংচাবশিংবু ফংনহৌব্রা খঙদে। কলচরেল ট্রুপ অমত্তা কুম্মৌ অসিদা শরুক য়াবা ঙল্লোই অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টনা শিল-লাংদুনা মীরমদা থাবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমত্তদসু মতেং পাংলরোই হায়না অমুক্তং হায়নরগা য়েংগদবনি। অদুতদা খঙনগদবনি। মণিপুর গভর্নমেন্টনা আর্ট এন্দ কলচরদা য়েংলিবা মীৎয়েং, লমসিদা চেনজ-চোংজরিবশিংদা পীরিবা ইকাই খুম্নবা কয়া অসি ময়েক শেংদোক্লক্কদবনি। আর্টিষ্ট খরা অদুক শেমগত্তুনা কলচরেল ট্রুপ খরা-খরা পুথোক্লবগীদমক জগোই-ঈশৈগী মহৈ তম্ফমশঙশিং লিংখৎপনদি লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎনবা অমত্তা ঙাইরবা খুৎশিন-থৌরাংনি হায়না মীয়াম্না খক হায়নরোইদ্রা হায়নসু খল্লি।

ট্রেদিসন অমসুং কলচরগী অচৌবা প্লেটফোর্ম অমা ওইবদা নত্তনা শঙাই ফেষ্টিভেল অসি লমদমসিদা টুরিজম প্রোমোট তৌহৌননবা অচৌবা থৌরাং অমনি হায়না মণিপুর গভর্নমেন্টনা এদভর্টাইজমেন্ট কয়া লেপ্তুনা তৌরি। শোমদনা মীয়াম্না হংলি শঙাই ফেষ্টিবেলনা টুরিজম রিভিন্যু হেনগৎহনখ্রবরা থবক পীখ্রবরা? টুরিজম পোলিসি থবক্তা ওন্থোকউ, বজেট হেনগৎলু, টুরিজম দিপার্টমেন্ট অসি মেজর দিপার্টমেন্ট ওল্লে হায়না লাউথোক্কদবনি হায়রি। হৌখ্রবা শঙাই ফেষ্টিবেলশিংনা লমদমসিদা লমকোয়বা মশীং কয়াম হেনগৎনা লাকহনখ্রবগে হায়বনচিংবা ৱাহং কয়ানি মীয়াম্না হংনরক্লিবা। মীরমগী লুচিংবশিং, ফমথৌ-ফম্নাইবশিং, কম্পেনিশিং, ইনভেষ্টরশিং অদুসু সুম পঙকোই কোইরক্লম্বা হায়বদুনি মখা তাবা নুংঙাইবা পাউদি ইতা-তাবা ফংখিদে হায়না মীয়াম্না চিবোন-চিবোন ঙাঙনরিবনি।

কুম্মৌ অসিগীদমক ঙসি ফাওবদা কায়থোকখ্রিবা শেনয়াম অমদি মদুগী অমাঙ-অতোং, অফবা মহৈ অমসুং চৈবি-চৈথেংনচিংবা কয়াদু গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মীয়াম খঙনা নৈনখিবগী অমদি পাউদমখিবগী ঈ-পাও অমত্তা ঙসি ফাওবা তাবা ইফং ফংনদ্রি।

মীরম মচাশিংনা ইরমদম অসিবু হেন্না মনুং-থিৎনা খঙখিননবা লমদমসিগী ওইবা অখন্নবা অফবা লাইরিকশিংগী কৈথেল, য়েন, ঙানু, ওকশানচিংবা মথেলশিংগী মথক্তা অতোপ্পা মফম অমত্তদা ফংদবা লমদমসিগী য়াম্না অতাঙবা, হাওর-হাওরবা চীং-তমগী মথেল লুকোইশিংগী চাফম-থকফমশিং, ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট শিল্লিবসিগী মথক্তা স্পোর্ট ফেষ্টিভেলশিং (নাৎকী অরিবা মশান্নশিংগী কুম্মৌ য়াওনা), অতাঙবা পুয়াশিংগী এগজিবিসন, মেদিকেল টুরিজমগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং, লমদমসিগী তাংল-তাংলবা মেদিসিনেল প্লান্টশিংগী এগজিবিসন, ইথনো-সাইন্স এগজিবিসনশিং, উমংলাই হরাওবগী ফেষ্টিভেল, ট্রেদিসনল ফ্ল্যুট ফেষ্টিভেলস, ভিজ্যুল আর্টকী কুম্মৌশিং, পর্ফোমিং আর্টশিংগী কম্পিটিসন, মিস শঙাই কন্টেষ্ট, ৱার টুরিজম চাওখৎহন্নবা কুম্মৌশিং, পিলগ্রিমিজ টুরিজমগী অখন্নবা প্রোগ্রামস, লিটরেচর ফেষ্টিভেল, ফেসন সো, শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল, ম্যুজিমগী অখন্নবা এগজিবিসন্স, জুলোজিকেল গার্দেনগী স্পেসল প্রোগ্রাম, লোক্তাক ফেষ্টিভেল, এদ্যুকেসনল ফ্যেরস, টেলেন্ট সো, দ্রামা ফেষ্টিভেল, আর্কিওলোজিকেল এন্দ এন্থ্রোপোলোজিকেল ফাইন্দিংশিংগী অখন্নবা প্রোগ্রামশিং য়াওনা অতৈ তৌবা য়াবা কুম্মৌশিং হাপ্তুনা মণিপুরগী হিষ্টোরিকেল পেলেস ওইরিবা কংলাদা টুরিজমশিংগী পুক্নিং খরা হেন্না চিংশিন্নবা অখন্নবা খুৎশিন-থৌরাংশিং অমদি অতৈ অতোপ্পা ইরমদম অসিগী তোপ-তোপ্পা মশক থোকপা ৱাখল-লৌশিংগী অমদি খুৎশা হৈবগী পোৎথোকশিং উৎথোক্তুনা য়োলহৌননবা অখন্নবা পোলিসি, প্রোগ্রাম কয়া য়াৎহৌবসু মথৌ য়াম্না তাব্রা হায়না খল্লি। মহৌশাগী অমদি খুৎশেমগী অৱা-অনা, ইরাং, ৱাথোক-লানথোক কয়া পিক থল্লবা তংদু লৈতাদ্রবা মণিপুরদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা খ্বাইদগী থৱায় হকচাং য়াওনা থৌরাংজরিবা শঙাই কুম্মৌগী নুংঙাইবা, মায় পাকপা অমদি মদুদগী ফংবা অফবা মহৈ অদুগী চাং অদুনি য়েংগদবগী লৈবাক মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরবা। লেন্দ ওফ ফেষ্টিবন্দ (ফেষ্টিভেলস + বন্দস) হায়নসু খঙনরবা, লো এন্দ ওর্দর য়াম্না ফত্তবা হীরম অয়াম্বদসু শোত্থহৌরবা, শেনমিৎলোন্দসু মীপান তাংলিবা মণিপুরদা শঙাই ফেষ্টিভেলনা করম্বা চাওখৎপা অনৌবা মাইওন অমনা পুরকপা ঙমগদৌরিবনো হায়বদুনি লৈবাক্কী অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না নৈনমিন্নহৌবা মথৌ তারিবদি।

কলচরেল ট্রুপ খরা শরুক য়াবা নত্তনা লমদমসিগী চীংমীশিং অসিদি ফেষ্টিভেলদা ষ্টোল হাংবা অমদি অতৈ এক্তিভিটিজদা শরুক য়াবগী চাং য়াম্না হন্থব্রা হায়নসু খল্লি।

শঙাই ফেষ্টিভেলনা লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা চীংদা খুন্দা লৈতারিবা ফুরুপ কাঙলুপশিংবু কোনশিনবা ৱাৎপনরা নৎত্রগা মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অসি কুম্মৌ অসিদা খরা ৱাৎপ্রা হায়বদুসু খন্ননিংঙাইনি। চীং-তম নুংশিননবা, পুনশিন্ননবা অমদি পুন্না থোং মান্ননা চাওখৎপা পুরক্নবা কন্না হোৎনরিবা মণিপুর গভর্নমেন্টনসু হীরম অশোমদা অখন্নবা মীৎয়েং শুংশোই শোইদনা চঙলক্কনি হায়বগী থাজবদি মীয়ামদা লৈনরি। চীং-তমগী অপুনবা থৌনা-লিংজেল, অপুনবগী শক্তম অমসি লিচিং অদু উৎথোকহৌনবগী খ্বাইদগী ফবা মতাং-মতম অদু শঙাই ফেষ্টিভেলদা লৌহৌবসু য়াব্রা য়েংসি। চীংমীশিংগী ওইবা অখন্নবা প্রোগ্রামশিং শঙাই ফেষ্টিভেলদা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা শেল খরা হেন্না মণিপুর গভর্নমেন্টকী শেনগাওদগী লৌথোকপদা কনানসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লক্লোইদ্রা হায়না খল্লি। লোইশিল্লকপা অসিদা থমজনিংবা মরু ওইবা ৱাফম খরদংদি ফেষ্টিভেল অসিগী খুত্থাংদা ইরমদমগী পোত্থোক্লা হেন্না পুথোকহৌনবা, য়োলহৌনবা অমদি লৈহৌনবা হোৎনসি। থাইলেন্দগী জেল্লরিজদা ঙাওবগী মহুত্তা ইরমদমগী পোত্থোকশিং ওইনা প্রোমোট তৌহৌসি। মীরমগী চীঙ্গাকশিংদা কা হেন্না ঙাওশিল্লোইসি। নৎত্রগদি "কৈথেলনা ঐখোয়গী য়োনবিরিবা পোৎশিংনা মীরমগী" হায়বদু তাদুনা তোক্কনি। মীরমগী কৈথেল অচৌ-অচৌবশিংদা পোৎ লৈবা চৎপা ঙমদবশিংগী অনকপা কৈথেলদি শঙাই ফেষ্টিভেলগী কৈথেলনি হায়না হায়নরকপসু খঙদে। ঐখোয়গী লৈজবা ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা ইরমদমসিদা ফংজবা মচাক মচলতনা শাজবা অনৌ-অনৌবা খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোক কয়া পুথোকহৌনবা তুম্বা চাবা চঙনররোইদবা মতমনি। মীরমগী অচৌ-অচৌবা কম্পেনিশিং অমদি ইনভেষ্টর ময়াম্না শেঞ্জাও ময়াম ময়াম থাদরক্লগা হেক্তা ঐখোয়গী শেনমিৎলোন ফগৎলক্কনি হায়না অচৌবা মঙলান শাগত্তুনা লৈথোক্কদবসু নত্তে। হান্নসু চুগী, সিমেন্টকী ফেক্তরি, স্পাইনিং মিল, ঙাগী, ইরোইগী ফর্মনচিংবা কয়াসু ফজনা হিংহনবা ঙমদবগী ৱাথোক কয়াসু লৈখ্রে। অদুগা ৱাফম অমনা ফেষ্টিভেল অসিগী থৱায় হাপকদৌবা মণিপুরগী নাৎ-চৎনবীগী জগোই-ঈশৈনচিংবা তোঙান তোঙানবা পর্ফোমিং আর্ট কয়া খুদোল তমগদৌরিবা আর্টিষ্ট, কলচরেল ট্রুপস, কলচরেল ওর্গনাইজেসননচিংবা কয়াবু নীংথিনা হিংহনবা ঙম্নবা লমদমসিগী কম্পেশিং অমদি ইনভেষ্টরশিংদগী স্পোন্সরসিপ কয়া থিহৌসি। লমদমসিবু মালেমদা মশক ফজনা তক্লিবসি কম্পেনিশিংনা স্পোন্সর তৌদুনা কন্না য়োকখৎলিবা ফুটবোলনচিংবা হীরম খরখক অসিদা নত্তে। কলচরগী লমদা থবক তৌজরিবশিংবু ঙাইহাক-ঙাইহাক্তংগী ঙামোক ওইহল্লোইসি, মতম-মতমগী ওইনা অনেকপা জগোই-ঈশৈ তৌবা তৌবী তাহল্লোইসি।◀◀

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১। কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দ্রিঙৈদা লমদমসিদা চৎনরম্বা শেল অসি শেল মখায় হায়বসিনি। শেল মখায় অনীনা শেল অমা শাই।
(ক) শেল মখায় কয়ানা শেল চান্মা শাবগে?
(খ) শেল মখায় কয়ানা শেল লীশিং অমা শাবগে?

২। লান মমাঙগী কবি অনীনা 'লৈপাকলৈ' শৈরেং অমমম ইরম্মী। লৈ অসিবু 'চিন্নাইদবী মরুপ' হায়রম্বদু করম্বা কবিনো?

৩। "ঐগী মিং সোরোজিনি কৌবনি। অদুবু শাংমল্লি হায়দুনা মাদি সোরো সোরোদমক মকৌই।" পরেং অনীসি 'থম্মোই নিঙাই' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "ঐগী অয়াকপা অহৌবা খোল্লাউদা/কিন্থখিগনি নিংখায়খিগনি।" পরেং অনীসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চীংমুক লেমহন্নিংই/চীংজুম্মুক শেংহন্নিংঙি নুংশিবী।" ঈশৈ পরেং অনীসিনা শামুরাইলাৎপম নব শর্ম্মনা শকখিবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।